## নরেন্দ্র মোদিনা ফ্লেগসিপ স্কিমশিং য়েংশিনগদৌরি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১১ ঃ*
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরসগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক লৈরিবা এন দি লৈঙাক্কী হৌখিবা চহীদা মহাক্কী গভর্ণমেন্টকী ফ্লেগসিপ স্কিমশিং অমসুং এজেন্দাশিং খুমাঙ চাউশিনবগী চাং করম তৌরি হায়বদু অমুক হন্না য়েংশিনগদৌরি।

লীখুনশিংগী মতূং ইন্না মীফম অদু পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাঙথোক্কনি। য়াম্না মরু ওইরবা মীফম অদুদা মিনিষ্টর পূম্নমক য়াওননবা খঙহনখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা ফার্ম দিষ্ট্রেস অমসুং গভর্ণমেন্টনা ফার্মরশিংদা পোৎ পুথোকমনদগী মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস শরুক অমা মখাই হেন্না পীনবা বজেটতা লাওথোকখিবশিং অদুগী খুত্থাংদা ফার্মরশিংদা রিলিফ পীনবসু খন্নরবা য়াই।

প্রধান মন্ত্রি জন ঔসাধি যোজনা, অয়ুসমান ভারত, প্রধান মন্ত্রি ফসল ভিমা যোজনা, প্রধান মন্ত্রি উজৱালা যোজনা ষ্টার্ট-অপ ফন্দিং স্কিম, মুদ্রা যোজনা অসিনচিংবা স্কিম কয়ামরুম রিভ্যু তৌগনি হায়রি।

## 'ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্টশিংনা ক্রোরশিং ফংলে ফার্মরশিংনা অমত্তা ফংদ্রে'

*ন্যু দিল্লি, জুন ১১ ঃ*
নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা ফার্মরশিংগী করিমত্তা খনবিদনা থৌশাদনা লৈখ্রে। অদুগা অমরোমদা লুপা লাক্ষ ক্রোর ২.৫ রোমগী লোনশিং কোকথোক্তুনা অপীকপা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট লুপ অমবু মতেং পাংলে হায়বা ৱাফম থম্লদুনা কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা হুন্দুনা ঙাংখ্রে।

দিল্লিদা কংগ্রেস পার্টিগী ও বি সি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংদা ৱা ঙাংবদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, থবক কন্না শূজরিবা মীওইশিংবুদি কৈদৌঙৈদা কান্নবা ফংহন্দ্রে অদুগা মখোয়না হুমাং তানা শুবগী মহৈ অদু অতোপ্পশিংদা ফংহল্লে।

মখূৎ-মশা হৈরবা মীওইশিং ইন্দিয়াদা মনা পীবিদ্রে। ফার্মরশিংনা থবক কন্না শুই। অদুবু মোদিজিগী ওফিসতা মখোয় লৈবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না হায়খি।

বেঙ্কশিং নন-পার্ফোমিং এসেটশিং লুপা ক্রোর ১,০০০ য়ৌনা ৱাংখৎখ্রে। শুপ্নগী ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট ১৫ দা লুপা লাক্ষ ক্রোর ২.৫ পীখ্রে, অদুবু ফার্মরশিংনা করিগুম্বা অমত্তা ফংদ্রে। লোন কোকপা অদু শুপ্নগী মীওই ১৫ খক্কী ওইরে। শেন্দোন্না মরম ওইদুনা হৌজিকসু মখা তানা মশা মতোমতা শিজরিবা ফার্মরশিংগী ওইদ্রে হায়না কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনামখা তাখি।

## অসামদা য়ুহার হাখ্রে

*গুৱাহাটি, জুন ১১ ঃ*
রিজনেল সিস্মোলোজিকেল সেন্টরগী মতূং ইন্না ঙসি অসামদা রিক্তর স্কেলদা ৫.১ য়ৌনা য়ুহার হাখ্রে হায়রি। য়ুহার হাবা অদুদা পোৎ চৈ মাঙ তাকপা নৎত্রগা মীশি-মীনা থোকপগী পাউ খুদক্তা লৈতে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়রি।

শিল্লোংদা লৈবা রিজনেল সিস্মোলোজিকেল সেন্টরগী রিপোর্ট অদুগী মতূং ইন্না ময়াই ওইরপনা কনবা য়ুহার হাবা অদুগী ইপিসেন্টর অদু নগাও দিষ্ট্রিক্টকী থিংদগী কিলোমিটর ২২ লাপ্পা মফম অমদনি হায়রি।

## বসনা তকপদা মহৈরোয় ৭ শিরে

*কন্নৌজ, জুন ১১ ঃ*
উত্তর প্রদেশকী কলেজ অমগী মহৈরোই তরেৎ আগ্রা-লক্ষনৌ এক্সপ্রেসৱেদা য়াঙনা থৌরকপা বস অমনা তকপদা শিরে অমসুং অতৈ মহৈরোয় কয়াসু অরুবা ফিভমদা শোক্লে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

সন্ত কবির নগরদগী মহৈরোয় কাঙবু অমনা বস অমদা পিক্নিক্কীদমক আগ্রা তম্না লাকখি। অদুম ওইনমক ঙসি অয়ুক অঙনবদা মখোয়গী বস অদু কানৌ দিষ্ট্রিক্তা থাও লোইহোকখি। মখোয়না বসতগী কুমথরগা বস অদ থাউ হানবা ঙাইদুনা লৈখি। মতম অদুদা তুংলোমদগী য়াঙনা থৌরকপা গভর্ণমেন্টকী বস অমনা মখোয়বু তকখাইবনি। চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং কম্পেনসেসন পীনবা লাওথোকখ্রে

## ইন্দিয়ান ইকোনোমি টায়ার হোরে ঃ চিদম্বরম



*ন্যু দিল্লি, জুন ১১ ঃ*
এন দি এ গভর্ণমেন্টকী অরানবা পোলিসিশিংনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী শেন-থুমগী ফিভম ফৎত্রে অমসুং শেন-থুমগী চকা মরিগী মনুংদা চকা অহুমগী টায়ারশিং হোরে হায়না লৈবাক অসিগী হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ঙসি হায়খ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, জি এস টি না ট্রেদ এন্দ ব্যুজিনেসপু তম্নরি অমসুং দিমোনিটাইজেসনগী ফত্তবা ফল অদু হৌজিক্তিগ চিংনিনিংঙাই লৈতনা খঙলে।

ইন্দিয়া খুন্নাইগী তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংদা অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা ঙাইরে। ফার্মরশিং ৱারে। মখোয়না মখোয়গী পোত্থোক্কী খূৎশুমন হঞ্জিন্নবগী শেনফম ফাওবা য়ৌদবা মমলদা মখোয়গী পোত্থোক য়োল্লি। অদুগা থবক ফংদবদগী নহারোলশিংসু ককঙাওনদুনা অৱাবা তারে হায়না চিদম্বরমনা হায়খি।

লৈবাক্কী ইকোনোমিনা চেল্লিবা চকা মরি অদুগী মনুংদগী চকা অহুমগী টায়ারশিং পঙ্কচর ওইরে। অহানবদা এক্সপোর্টস ঃ হৌখবা চহী ৪ গী গ্রোথ রেট নেগটিভ চৎলে। অনীশুবদা প্রাইভেট ইনভেষ্টমেন্ট ঃ মসি শিবমক নৎত্রবসু মফম মরাং খঙদনা লৈরে। চহী অহুমগী গ্রোস ফিক্স কেপিটেল ফোর্মেসন ২৮.৫ পার্সেন্টতা চপ লেপ্তুনা লৈরে। অহুমশুবদা প্রাইভেট কঞ্জুমসন ঃ হৌখিবা থা খরগী মতম অদু ফাওবদা মসিসু মখোঙ তেকপগুম লৈরকখ্রে। হৌজিক খরা ফৈ হায়না লৌবা য়ারিবা টায়ার হায়ববু গভর্ণমেন্ট এক্সপেন্দিচর অসিমঙাইরে। মসিসু করেন্ট একাউন্ট দিফিসিট অমসুং ফিস্কেল দিফিসিটকী প্রেসরদগী করিসু হেন্না তৌবা ঙমদ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা মফম পূম্নমক্তা থবক ফংদবগী ফিভম লৈরে। নহারোলশিংনা গ্রেজুয়েট লোইরবা তুংদা থবক ফংনিঙাই অশা উদবা মরমদগী লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা কেম্পসশিংদা হরাও-তয়াম্বগী ফিভম লৈত্রে, অচৌবা অশাগী মমি শাম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## ইন্দিয়া মচেৎ-মচেৎ তানা কায়গনি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি হাৎকনি ঃ জে য়ু দি

*ন্যু দিল্লি, জুন ১১ ঃ*
মুস্লিমশিংগী হোলি মন্থ 'রামজান' মনুংদা জিহাদ চথনবা জমাট-উদ-দৱা (জে য়ু দি) না মুস্লিমশিংদা অপিল তৌরকখ্রে অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু হাৎনবা ইরাই নুমিত্তা কিহল্লকখ্রে।

মোদি হাৎকনি। ঐখোয়গী থরায় কখোকপা মীওই হেন্না হেন্না থোরকপগা লোয়নন্না ইন্দিয়া অমসুং ইজরেল মচেৎ-মচেৎ তানা কায়গনি হায়না লাসকর-ই-তোইবা (এল ই টি) কৌবা মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুগী ফ্রন্ট অমা ওইরিবা জে য়ু দি গী সেনিয়ার ফংস্নরি মৌলানা বাসির অহমদ খাকিনা ফোঙদোকখ্রে।

জে য়ু দি গী লুচিংবা অসিনা পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) গী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী রাৱালকোট সিটিদা ইরাই নুমিৎকী লাই খুরুম্বদা ৱা ঙাংখি। মদুদা মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং অমেরিকাদা ইস্লামিক ফিরান চিংখৎকনি।

মহাক মশামকপু এল ই টি গী মকোক থোংবা লুচিংবা হাফিজ সায়িদকী মেসেঞ্জর অমনি হায়দুনা মৌলানা বাসিরনা রামজানগী মনুংদা জিহাদ চথনবা মুস্লিমশিংদা খঙহনখি। রামজান অসি জিহাদ-ও-কিতল (জিহাদ অমসং হাৎপা) গী পুকচেল চাওরবা থা অদুনি। জিহাদ চথদুনা থরায় থারিবা মীওইশিং অদুগীদমক সোরারেলগী থোঙ হাংদোক্তুনা লৈগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

জে য়ু দি গী কাদরশিংনা কাশ্মীরদা হৌজিকসু জিহাদ চথরি অমসুং ইন্দিয়ান ফোর্সশিংগা লান্থেংনরি। মখোয়না কাশ্মীরগী নীংখা তম্বগীদমক অমসুং ইন্দিয়া থুগাইনবগীদমক জিহাদ চথরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## উলফা (আই) না চা বগানদা থবকশুবা অমা ফাখ্রে

*গুৱাহাটি, জুন ১১ ঃ*
অসামগী তিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা জাকুন কৌবা মফমদগী উলফা (আই) গী লানহৌবনি চিংনবশিংনা ঙরাং অয়ুক প্রাইভেট টি ইষ্টেট সুপরভাইজর ফাদুনা পুখ্রে।

পাউসিগী মতূং ইন্না সুপরভাইজর (মোহোরি) অমা ওইনা থবক তৌবা দিননাথ উপধ্যায়বু মহাক্না সন্দে মার্কেটতা লাকপগী লম্বীদা মোতোর সাইকল তোংদুনা লাকপা মীওই মঙানা ফাখিবনি। মহাক ফানেংদা রাধা চেটিয়াগী টি গর্দেনদা থবক তৌবনি। হন্দক কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা উলফা (আই) না শেনফম অমা পীয়ু হায়দুনা মঙোন্দা দিমান্দ তৌরকখি অদুবু মদু মহাক্না পীখিদে। মরম



অদুনা মহাকপু ফাখ্রিবা অসি উলফা (আই) মতোম খক্তনা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগা লমদম অসিদা থবক কন্না তৌরিবা এন এস সি এন (কে) গা পুল্লগা তৌরম্বসু য়াই হায়না চিংনবা লৈ।

দিননাথ উপধ্যায়বু থিননবা হৌজিক অসাম অরুনাচল বোর্দর পরীংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ওপরেসন চথবা হৌখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা উলফা (আই দি) লিঙ্কমেন বাবু বসুমাতরি এলাইজ হেমকান্ত ফাখ্রে।

## কেরলাদা নোং চুবগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ১৬ শিখ্রে

*টিরুভনন্টপুরম, জুন ১১ ঃ*
কুমগী নোংজুথা লাকপগা লোয়নন্না হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা কেরলাগী মফম কয়াদা নুংশিৎকা লোয়নন্না নোং চুথরকখিবদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৬ শিখ্রে অমসুং লুপা ক্রোর ৬ হেনবগী মহৈ-মরোং মাঙ-তাকখ্রে হায়না রিভিন্যু মিনিষ্টর ই চন্দ্রসেখরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

অহানবা পাউগী মতূং ইন্না নোং চুথরকখিবা অদুনা য়ূম ১,১০৯ অতেক অকায় থোকহনখ্রে। অদুগা য়ূম ৬১ দি মপূং ফানা মাঙ তাকহনখ্রে। ইমুং ৩৩ গী মীওই ১২২ রিলিফ কেম্পশিংদা লৈহনখ্রে হায়না ষ্টেট এসেমব্লিদা মিনিষ্টরনা হায়খি।

ওপোজিসন লীদর রামেস চেরিথলানা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ফার্ম লেন্দ হেক্টর ১৮৮.৪১ দা লুপা ক্রোর ৬.৩৪ গী মহৈ-মরোং মাঙখ্রে অমসুং কেলামিটি অদুনা ফার্মর ২,৭৮৪ শোকহনখ্রে হায়খি।

লৈখিদবশিংগী ইমুং মনুংদা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফন্দদগী লুপা লাক্ষ ৪ পীরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## কাইলাস মানাসরোবর যাত্রাগী অহানবা খূৎপু লমথাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ১১ ঃ*
কুমসি চহীগী কাইলাস মানাসরোবর যাত্রাগী অহানবা খূৎপু অদু ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্টর্নেল এফিয়ার্স ভি কে সিংহনা লমথাখ্রে।

লাই খুরুম্বা চৎপা মীওইশিং অদুবু হকচাং ফনা লৈনবা মহাক্না পাউতাক পীখি। লাই খুরুম্বা মীওই ৬০ না শাবা অহানবা খূৎপু অদুনা উত্তরখন্দগী লিপুলেখ ফাওরগা লাই খুরুমফম অদু য়ৌবনি।

লাই খুরুমফম অদু য়ৌনবা লম্বী অনী লৈ। লম্বী অনী অদুদি উত্তরখনগী লিপুলেখ পাস ফাওরগা লম্বী অমা অদুগা অতোপ্পা অদুনা সিক্কিমগী নাটু লা পাস ফাওরগা চৎপা লম্বী অসিনি।

কুমসি চহীগী লাই খুরুম্বা চৎপগী খোঙচৎ অসি য়াওনবগীদমক এপ্লিকেসন ৩৭৩৪ ফংখি। লোটরি তৌরগা ১৫০০ খনগৎখি। লাই খুরুম্বা চৎপা মীওইশিং অসিনা মীওই ৬০/ ৬০ না শাবা বেটচ ১৮ দা লিপুলেখ ফাওরগা কাইলাস মানাসরোবর য়ৌখিগনি। লম্বী অসিনা লাইফম কয়ামরুম ফাওদুনা চৎকনি মদুগী মনুংদা নারায়ন আশ্রম অমসুং পটাল ভুবনেশ্বর য়াওরি।

## মচানুপীনা নেতাজিগী উৎশিং অদু জপানদগী ইন্দিয়াদা পুরকপা পাম্লি



*লন্দন, জুন ১১ ঃ*
ফ্রিদম ফাইটর নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী লেমহৌবা হকচাংগী শরুকশিং অদু জপানদগী ইন্দিয়াদা অমুক হন্না পুরকপা পাম্মী হায়না মহাক্কী মচানুপী অনিতা বোস পফনা ফোঙদোকখ্রে।

জর্নেলিষ্ট অসিস রে-না ইবা লেইদ টু রেষ্ট কৌবা লাইরিক অমা মফম অসিদা ফোঙবগী থৌরমদা নেতাজি সুভাসচন্দ্রগী মচানুপী অসিনা ৱা ঙাংখি। লাইরিক অসি তোঙান তোঙানবা ইনভেষ্টিগেসন ১১ গী ফাইন্দিংশিং অদু য়াওরগা ইবনি অমসুং তাইৱানগী কোনুং তাইপৈদা কুমজা ১৯৪৫ গী আগষ্ট ১৮ দা প্লেন ক্রাষ্টকী থৌদোক অমদা নেতাজি সুভাসচন্দ্র লৈখিদবনি হায়না ৱারোয়শিন পীরি।

প্লেন ক্রাষ্টতা নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোস শিখি হায়বদু মীওই কয়ামরুমনা থাজৌ হায়বা য়াখিদে। নেতাজিগী মচানুপীনা হায়খি। অদুগুম্লবা থম্মোয় শোকপা থৌদোকশিং অদু মরী মতাশিং অমসুং নুংশিবিবা মীওইশিং অনীমক, অসুক য়াম্বা মীওইশিংনা য়ানিংদ্রিবগী মরম মহাক খঙঙি হায়খি। মতম অদুদা ইন্টর্নেস্নেলগী ওইনা ঈ-পাউ ফাওনবদা অরুবা ওইরম্মী। কনাগুম্বা অমত্তনা তশেংনমক অচুম্বা থৌদোকশিং খুদক্তা চপ চানা লেপ্পা ঙমদে। অদুগা অমরোমদা মীয়ামনা করিনো খঙদবা ঙক্তুনা লৈগদবশিং পাম্লে। ঐগী ইপা অদু রোমান্টিক অমসুং ত্রেজিক অনীমক্কী হেরো অমনি। মরম অদুনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদুদা থোইনা ঙক্লিঙাই লৈতে হায়খি।

নেতাজিগী মচানুপী অসি হৌজিক হৌজিক জর্মনিদা লৈবা ইকোনোমিক্স অমনি। মহাক্না মাগী অপোকপা মপাগী লৈহৌরিবা শরুকশিংগী মতাংদা ফোঙদোকপা ৱাফমশিং অদু লাইরিক্কী অইবা অসিনা অমুক্কা হেন্না পন্দুনা ইরি। ইন্দিয়াদা নেতাজিগী উৎশিং অদু পুরক্নবা করিগুম্বা খরা তৌবা হায়বদু মতমগী ৱাদা ঙাইরে হায়না অসিস রে-না হায়খি।

## ইন্দিয়া ঙমখে মনাক্তা বাংলাদেশকী ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট শাগদৌরি

*ধাকা, জুন ১১ ঃ*
ৱেষ্ট বেঙ্গল ষ্টেটকী নোংপোক থংবা মপান্দগী ইন্টর্নেস্নেল বোর্দর ৱাংমদা চৎপদা পূং ২ গী মতম য়ৌফাৎতবা মফমদা বাংলাদেশকী রুপপুরদা হায়-টেক্ট ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্ট অমা শাগৎনবা থবক কন্না চঙশিল্লনি।

মফম অদুদা পুথোক্কদৌরিবা পৱার অদুগী শরুক অমা ইন্দিয়ানা ফংঙোইদবা ওইরবসু মফম অদুদা অদুগুম্বা ফেসিলিটি অমা লৈরকপা উবা অদু ন্যু দিল্লিনা নুংঙাইবা পোকই। চহী কয়ামরুমদগীহৌনা ইন্দিয়ানা ঙমখে অদুদা মল্টি-বিলিয়ন দোলর ওইগদবা গ্লোভেল ন্যুক্লিয়ার কমর্স অমা থম্নবা হোৎনৌ হায়না ইন্দিয়ানা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু ন্যুক্লিয়ার সপ্লাইয়র্স গ্রুপকী মেম্বর অমা ওইদবা মরমদগী হায়রিবা থবক অদু মায় পাক্তনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তিগ রসিয়া, বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়ানা অনৌবা থ্রি পার্টি এগ্রিমেন্ট অমা তৌনদুনা মসিগী কান্নরবা সেক্টর অসিদা চঙশিন্নবা ইন্দিয়াগীদমক থোঙ হাংদোকখ্রে।

বাংলাদেশনা ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি ফংনবা মহাক্কী অহানবা খোঙথাং ওইরিবা রুপপুর পৱার প্লান্ট অসিদা মেগৱাট ১২০০ গী এতোমিক রিয়েক্তরশিং লৈগনি। মদু ধাকানা রসিয়াদগী লৈবনি। হায়রিবা এক্তোমিক রিয়েক্তরশিং অদুগী টেক্নোলোজি অদু তামিলনাদুগী কুদানকুলমদা ইন্দিয়ানা শারিবা অদুগা চপ মান্নে। মরম অদুনা ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা ইঞ্জিনিয়ারশিংগী ত্রেনিং পীবা য়াওনা প্রোজেক্ট অদুদা পূন্না থবক তৌমিন্নরি।

করিগুম্বা থবক পূম্নমক শোয়দ-ঙামদনা ফজনা চথরবদি বাংলাদেশকী ন্যুক্লিয়ার পৱার প্লান্ট শাবা অসিদা ইন্দিয়ান কম্পনিশিংনসু ইক্যুপমেন্ট পীগনি অমসুং মতেং পাংগনি। বাংলাদেশনা মখোয়গী অহানবা এক্তোমিক পৱার অসি কুমজা ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা অশা তৌরি।

বাংলাদেশ, রসিয়ান ফেদরেসন অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা ঐখোয়না ট্রাইপর্টাইট মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা সহি তৌনখ্রে। মসিগী মমাঙদসু প্লান্ট অসিগী মতাংদা ঐখোয়না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা গভমেন্টেন্ট এগ্রিমেন্ট অমা সহি তৌনখ্রে।

ইন্দিয়ানা মতম শাংনদগী হৌনা কুদানকুলমদা ভি ভি ই আর টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ইনর্জি পুথোক্লি। হীরম অসিদা মখোয় এক্সপরিয়েন্স কয়ামরুম লৈরে অমসুং ঐখোয়গী অনৌবা ন্যুক্লিয়ার পৱার ওইবা মরমনা মখোয়গী এক্সপরিয়েলন্স অদু বাংলাদেশতগী লৌবা পাম্মী হায়না সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরী এম অনৱার হুসেননা হায়খি।

## য়ু এস এফ-১৫ ক্রাস তৌখ্রে

*তোকিও, জুন ১১ ঃ*
জপানদা য়ু এস ফোর্স ময়াম লৈরিবা ওকিনৱা ঈথৎকী মনাক্তা য়ু এস মিলিটরি এফ-১৫ ফাইটর জেট অমা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা চাং নাইনা পাইবা ত্রেনিং মিসন অমদা ক্রাস তৌখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ু এস ফোর্সেস, জপাননা ফোঙদোকখ্রে।

প্লেন অদুদা তোংখিবা অমত্তা ঙাইরবা মীওই পাইলোট অদু মতম চানা মাই পাক্লা ইজেক্ট তৌহৌরে অমসুং সার্স এন্দ রেসক্যু ক্রুশিংনা রিকোভর তৌখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

থৌদোক অদু করম্না থোকখিবনো হায়বদু ওফিসারশিংগী বোর্দ অমনা থিজিল্লগনি।

ওকিনৱাগী মীওই কয়ামরুমনা মফম অদুদা লৈরিবা য়ু এস মিলিটরি বেজশিং অদুনা ক্রাইম থোকহল্লি, এক্সিদেন্ট অমসুং পোলুসন্না খুদোংচাদবা থোকহল্লি। মরম অদুনা মখোয় ঈথৎ অসিদগী হোংদোকখিবা পাম্নরি। ইমর্জেন্সি লেন্দিং কয়া মরুমনা অমসুং য়ু এস মিলিটরি এয়ারক্রাফ্টতগী তারকপা মচেৎশিংনা মীয়ামদা অশোক অপন থোকপা য়াবগী অকিবা নংহল্লি।

RST Resonant Tutorials Imparting light to Medical aspirants

RESONANT TUTORIALS

Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET(UG)-2019

Class Commence : 21st June, 2018

Last Date of Admission : 19th June, 2018

Special features:

- Free studentship for meritorious and position holders of Class X & XII.
- Separate section for purely english medium.
- Special fee concession for high scorer in NEET Exam-2018 but not get seat for Medical Course (MBBS/BDS).
- NCERT based study materials from MTG-Book Publication.
- Motivation & Interaction Programme with renowned Doctors.
- Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.

## GAS TODAY

**Canchi Gas**
Booking : 18/05/18
Valid : 11/05/18
Stk : 612
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 12/06/18
Valid : 10/06/18
Stk : 206
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Heingang Gas**
Booking : 06/06/18
Valid : 23/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 01/05/18
Valid : 20/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas**
Booking : 04/05/18
Valid : 23/04/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 08/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 306
Sl. No. 1351 upto 1480
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 02/05/18
Valid : 30/04/18
Sl. No. 100
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Asangbi Gas, Sugnu**
Booking : 16/04/18
Valid : 12/04/18
Stk : 306
Time : 09.00 to 11.00 a.m

**K & K Indane**
Booking : 26/05/18
Valid : 16/05/18
Sl. No. 250
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**RBD Gas**
Booking : 30/04/18
Valid : 21/04/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 21/05/18
Valid : 17/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Athokpam Gas**
Booking : 25/04/18
Valid : 19/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 25/04/18
Valid : 19/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas**
Booking : 15/05/18
Valid : 12/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 15/05/18
Valid : 08/05/18
Stk : 612
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : Upto date
Stk : 306
Delivery at Heinoupok Godown.

সনা-সুদোকু -১১৯৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 1 | 5 | 6 | 9 | 2 | 4 | 7 | 3 |
| 4 | 3 | 7 | 5 | 8 | 1 | 6 | 9 | 2 |
| 6 | 2 | 9 | 4 | 3 | 7 | 1 | 8 | 5 |
| 5 | 4 | 6 | 2 | 7 | 3 | 9 | 1 | 8 |
| 7 | 8 | 2 | 1 | 4 | 9 | 5 | 3 | 6 |
| 3 | 9 | 1 | 8 | 6 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 6 | 3 | 7 | 1 | 4 | 8 | 5 | 9 |
| 9 | 5 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 | 6 | 1 |
| 1 | 7 | 8 | 9 | 5 | 6 | 3 | 2 | 4 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

Hard Sana Suduku-1195

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 3 | |
| | | | 2 | 7 | 1 | 4 | 5 | |
| | 8 | | 4 | | 3 | | 1 | 6 |
| | | | | 6 | | 8 | | 3 |
| 5 | | 2 | | | 7 | | | |
| 9 | 6 | 8 | | | | | | |
| | | | | | | | | |
| | | | | | | 1 | 2 | |
| | 4 | | 8 | 3 | | 7 | | |